# সুপ্রিম কোর্ট, হায়কোর্ট জর্জশিংগী তলব হেনগৎহন্নবগী বিল লোক সভানা পাস তৌখ্রে




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায়কোর্ট ২৪ গী জর্জশিংগী তলব হেনগৎনবগী বিল ঙসি লোক সভানা পাস তৌখ্রে। বিল অদু পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রবা অমসুং আইল ওইনা চৎনরক্লবা মতূংদদি চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী থাগী তলব লুপা ২.৮০ ওইরগনি। মদু হান্নদি লুপা লাক্ষ ১ খক্তমক ওইরম্বনি হায়রি।

মদুতা নত্তনা হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিসশিংগী তলবসু হান্না লুপা লীশিং ৯০ ওইরম্বদগী লুপা লাক্ষ ২.৫ তা হেনগৎলগনি। নীংথম মীফম হয়েং লোইরগনি। করিগুম্বা বিল অদু রাজ্য সভানা হয়েং পাস তৌবা ঙমদ্রবদি চৎলিবা থা অসিগী ৩০ দা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা মেন বজেৎ মীফম ঙাইবা তাই হায়রি।

হায়কোর্টকী জর্জশিং হৌজিক থা অমদা লুপা লীশিং ৮০ ফংলি। অদুম ওইনমক বিল অদু পাস তৌখ্রবা মতূংদগীদি থা অমদা লুপা লাক্ষ ২.৫ ওইগদৌরিবনি। তলব হেনগৎপগী থৌশিল অদু তরেৎশুবা পে কম্মিসন্না রিকমেন তৌরকখিবগী মতূং ইন্না ওল ইন্দিয়া সার্ভিসকী ওফিসারশিংগী তলবসু ইং ২০১৬ কী জনুৱারী ১ দগী পারগা হেনগৎলগনি।

হায়কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জর্জশিংগী তলব য়েংশিনগদৌরিবা এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৭ না হাউস রেন্ট এলাৱেন্সসু ইং ২০১৭ কী জুলাই ১ দগী য়েংশিনগনি অদুগা এলাৱেন্সশিং হেনগৎপগী থৌশিলনা ইং ২০১৭ কী সেপ্টেম্বর ২২ দগী পারগা চৎনগনি। ইং ২০১৬ তা মতম অদুগী চীফ জষ্টিস টি এস ঠাকুরনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায়কোর্টকী জর্জশিংগী তলব হেনগৎনবা অইবা চেরোল অমা পীখিবসু লৈখ্রে।

হৌজিক সুপ্রিম কোর্টকী জর্জ ২৫ লৈ অদুগা হায়কোর্টকী ওইনা লৈফম থোকপা জর্জ মশীং ১,০৭৯ গী মহুত্তা জর্জ ৬৮২ না মথৌ তৌরি। তোঙান তোঙানবা হায়কোর্ট ২৪ দা মথৌ তৌগদবা জর্জশিংগী মশীং ১০৭৯ ওইগদবনি। পূন্না সুপ্রিম কোর্ট অমসুং তোঙান তোঙানবা হায়কোর্টশিংগী থবক্তঃগী পোথাখ্রবা জর্জ ২৫০০ না খুদোংচাবা অদু ফংগনি হায়রি।

# সাউথ অফ্রিকাদা ট্রেন অমসুং ট্রক্ট থেঙজিন্নবদা মীওই ১২ শিখ্রে, ২৬৮ শোকখ্রে



***ক্রুনষ্টাদ, জনুৱারী ৪ ঃ***

সাউথ অফ্রিকাগী ক্রুনষ্টাদ সিটি মনাক্তা লৈবা ফ্রি ষ্টেট প্রোভিন্সতা ট্রেন অমগা ট্রক্ট অমগা থেঙজিন্নখিবা এক্সিদেন্টা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখ্রে অদুগা ২৬৮ হেনবগা অশোক-অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু পেসেঞ্জর ট্রেন অমনা থৌদুনা লাকখিবা লম্বেন্দা লৈবা ক্রোসিং অমদা অতোপ্পা পেসেঞ্জর পুবা ট্রক্ট অমনা তপথবা ঙমদনা থৌজিল্লকপদগী থোকখিবনি হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেন অমসুং ট্রক্টকা থেঙজিন্নবা থৌদোক অদুগী মতূং মরাল লৈরবা ড্রাইভর অদুনা চেন্নবা হোৎনবদা মফম অদুগী পুলিসনা ফারে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। ট্রেন অদুনা তোংলকখিবী সৈপাটি মোলেটসেন্না মফম অদুগী প্রাইভেট টি ভি চেনেল অমদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না তোংদুনা লাকখিবা ট্রেন অদুদা খঙহৌদনা মৈখু হৌরকপা থেঙনখি। লোয়নননা মহাক্না তোংলকপা কোস অদুদগী চোংথনবা হোৎনখিবদা উপাই লৈখিদে হায়খি।

থৌদোক অদুদা এক্সিদেন্ট নংখ্রবা ট্রেন অদুগী অহানবা কোস অনী চাউনা শোকখিবনি হায়না মোলেসেন্না মখা তানা ফোঙদোকখি। সাউথ অফ্রিকাগী সিটি জোহেন্সবর্গতা লৈবা ইমার্জেন্সি সার্ভিসশিংগী মায়কৈদগী থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা শোক্লবা মীওইশিং অদু কন্নবা থবক পায়খৎখি।

এক্সিদেন্ট অদুদা ট্রক্টনা থোমজিনখ্রবা ট্রেন অদু সাউথ অফ্রিকাগী সিটি পোর্ট ইলিজাবেদতগী জোহেন্সবর্গ সিটি তম্না লাকপদা মরাল লৈরবা ট্রক্ট অদুনা থোমজিল্লকপনি।

থৌদোক থোকফম অদুগী ফংবা পাউগী মতূং ইন্না ওফিসিয়েল ওইনা ট্রেন্দা তোংদুনা লাকখিবা মীওই ১২ লৈখিদ্রবা মতূং মখা তানা অশিবা মশীং অদু হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। অদুগা ইমর্জেন্সি সার্ভিসশিংনা মতেঙ পাঙবদগী কনবা ঙমখিবা শোক্লবা মীওইশিংগী মশীং পাউ অসিনা খ্বাইদগী থেঙনা ফংখিবদা ২৬৮ শুবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই খুদোংথিবা নংলবা ট্রেন্দুদা তোংলকপা মীওই ৪৫০ হেনবশিং থৌদোক থোকফম অদুদগী লৌথোক্তুনা শাফগদবা মফমদা থম্বা ঙমখ্রে হায়না মফম অদুগী পুলিসকী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেন অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর অমনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না এক্সিদেন্ট থোক্লবা মতুং কোসতগী কুমথরক্লবা এমর্জেন্সি সার্ভিসকী মরক্তা লাকখিবা পুলিসকী ফাইয়ার এক্সটিঙগুসর শীজিন্নদুনা মৈ চাক্লিবা কোসশিং অদু মুথৎনবা হোৎনবদা উপাই লৈখিদে। হায়রিবা কোসশিং অদুদা মীওই খরদি সুকশোই শোইদনা শিরম্লগনি হায়না পেসেঞ্জর অমনা থাজবা ফোঙদোকখি।

# ট্রিপল টলাক্কী বিল লৈঙাক্না পার্লিয়ামেন্ট কম্মিটিদা থাদবা পামদ্রি




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

রাজ্য সভাদা মাইনোরিটি ওইবনা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা শীংথানিঙাই ওইরবা ট্রিপল টলাক্কী বিল পার্লিয়ামেন্ট কম্মিটিদা অমুক হন্না য়েংশিন্নবা থাদখিনবা ওপোজিসন্না ফোঙদোকরকখিবা ৱাফম লৈঙাক্না য়ানিংদ্রি হায়না পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না লৈঙাক্না মথংগী পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা রাজ্য সভাদা পুথোক্লবা হোৎনরক্কদৌরে। রাজ্য সভাদা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বিল অদু পুথোকপদা পাস তৌবা ঙমখিদে। চৎলিবা নীংথম মীফম অসি হয়েং লোইরগনি। মরম অদুনা মথংগী বজেৎ সেসন্দা মশানা তাবা মওংদা পুথোক্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি।

মুস্লিম ৱুমেন প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ইন মেরিয়েজ বিল ২০১৭ পাস তৌবা য়াননবগীদমক বি জে পি না তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী মতেঙ লৌননবা হোৎনরক্লগনি। বিল অদুগী মখাদা মুস্লিম নুপা অমনা মহাক্কী নুপীবু টলাক টলাক হায়না অহুম্লক হায়রবা মতূং খাইনবা তারবদি চহী অহুম জেলদা থম্বা য়াই। লোয়নননা ফাইন তৌবসু য়াগদৌরিবনি।

রাজ্য সভাদা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বিল অদু পুথোরকপা মতমদা ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা উত্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মীফম কয়ারক হন্না য়ৈথোকখি। লোয়নননা বিল অদু সেলেক্ট কম্মিটিদা অমুক হন্না য়েংশিন্নবা থাদনবা ফোঙদোরকখি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি নুংথিলগী মীফমদা অকনবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়নননা কংগ্রেস পার্টিনা ট্রিপল টলাক বিল নমথনবা হোৎনরে হায়না মরাল শিখি। বি জে পি না হায়, কংগ্রেস পার্টি মায়থোঙ অনী লোংবা কাঙবু অমনি। মখোয়না বিল অদু লোক সভাদা পুথোরকপা মতমদদি শৌগৎখি। অদুম ওইনমক রাজ্য সভাদদি বিল অদুগী মায়োক্তা লৈখি হায়না মরাল শিখি।

লোক সভাদদি বিল অদু পুথোকপদা কনা অমত্তনা য়েৎখিদে। অদুম ওইনমক রাজ্য সভাদা পুথোরকপদদি শৌগৎলকখিদে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর অনন্তা কুমারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ওপোজিসনগী মায়থোঙ ময়েক শেংনা উৎথোরক্লে। মখোয়না বিল অদু পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা থাদগদবনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লি। অদুম ওইনমক লৈঙাক অসিনদি টেক্নিকেল ওইবা ফিভমদা য়েংলগা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা থাদবগী ৱাফম অদু য়ানিংদ্রি হায়রি।

কংগ্রেস পার্টিনা বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোরকপা মতমদা এম পি শিংনা য়েংশিন্নবা দিমান্দ তৌখি। কংগ্রেসকী ৱাফম অদুদা এ আই এ দি এম কে অমসুং বিজু জনতা দলনসু শৌগৎখি। মদুনা মরম ওইরগা বিল অদু রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙমখিদবনি হায়রি।

# রেলৱেজনা এন্টি-ফোগ দিবাইস ইনষ্টোন তৌরগনি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুক্তা লৈচিল থাবা মতমদা অশোয়-অঙাম থোক্তনবগী থৌশিল ওইনা রেলৱে ইঞ্জিন্দা জি পি এস কী খূথাংদা য়েংশিনবা য়াবা এন্টি-ফোগ দিভাইস ইষ্টোল তৌরগনি হায়রি।

দিভাইস অদুনা রেলৱে ত্রেক্ট সিগ্নেল অমসুং লম্বীদা ওইরিবা ফিভমশিং মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙমগনি। গ্লোভেল পোজিসন সিষ্টেম অদু অৱাং থংবা ভারত্তা চেল্লিবা ট্রেন ৯০০ তা ইনষ্টোল তৌগনি হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুক্তা লৈচিল থানা তাশিনবনা মরম ওইরগা মশীং য়ান্নবা ট্রেনশিং অমসুং ফ্লাইট কয়া মতম থেংথনা চৎখি নৎত্রগা কেন্সেল তৌখি। নেসনেল কেবিটেল রিজন্দসু লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন কয়া চথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকখি। ট্রেনগী ড্রাইভরগী হেক মমাঙমক্তদা এন্টি-ফোগ দিভাইস হাপকনি। মদুনা ট্রেনগী ড্রাইভর অদুনা চৎকদৌরিবা লম্বী অমসুং মথংগী সিগ্নেলশিং মতম চানা খঙদোকপা ঙমগনি।

ইঞ্জিনগী হেক মমাঙ থংবা শরুক্তা ড্রাইভরনা হেক উগদবা মফমদা সেন্সর অমসুং দিজিটেল দিসপ্লে বোর্দ হাপ্তুনা ট্রেন অদুনা চৎকদৌরিবা লম্বীশিং চপ চানা উহনগনি হায়রি।

রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েলনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা পেসেঞ্জরশিংনা অশোয়-অঙাম থোকহন্দবা অমসুং মতম চানা পন্থুংফম য়ৌহন্নবগী পান্দমদা এন্টি-ফোগ দিভাইস অদু হাপ্পনবা থৌশিল পায়খৎপনি। মরু ওইনা নীংথমথাগী মতমদা লৈচিল থানা তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা ট্রেন চথোক চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

নীংথমথাগী মতমদা অৱাং ভারত্তা চেনবা ট্রেনশিং পুংদা কিলোমিটর ৬০ দগী হেন্না চেনবা য়াদবগী অথিংবা লৈ। মদু ট্রেনগী ড্রাইভরশিংনা পেসেঞ্জরশিং অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা থবক পায়খৎপগী থৌশিল অমনি। মতমগা চুনবা মওংদা জি পি এস হাপ্তুনা ট্রেনশিং চেলহল্লবদি খুদোংচাবা কয়া লৈগনি। জি পি এস টেক্নোলোজিনা ট্রেন অদুনা চৎকদৌরিবা লম্বী, লেপকদবা ষ্টেসন অমদি রেলৱে ক্রোসিংশিং নীংথিনা খঙদোকপা ঙমগনি।

ট্রেন থৌরিবা মীওইশিংনা সিষ্টেম অদু লৈরবদি মাঙজৌননা খুদোংথিবা থোক্লকপা য়াবা থৌদোকশিংসু খঙদোকপা ঙমগনি। লোয়নননা হেন্না য়াংনা ট্রেন চেলহনবসু ঙমগনি হায়রি।

# নেপালগী নুপীমচা ৭ অমসুং ইন্দিয়াগী ৩ কেনিয়াদা ফাখিবা অদু কনখ্রে ঃ সুস্মা

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

কেনিয়াদা ওর্গনাইস ক্রাইম সিন্দিকেটনা ফাজিন্দুনা থম্বা নেপালগী নুপীমচা ৭ অমসুং ইন্দিয়াগী নুপীমচা ৩ কনবা ঙমখ্রে হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বররাজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সুস্মা স্বারাজ ৱারোল অদুগী মতূং ইন্না হায়রিবা নেপালগী নুপীমচা ৭ অমসুং ইন্দিয়াগী নুপীমচা ৩ কেনিয়াগী ওর্গনাইস ক্রাইম সিন্দিকেটনা হ্যুমেন ত্রাফিকিংগী খূথাংদা ফাজিন্দুনা থমলম্বদগী কনবা ঙমখ্রে হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপগা লোয়নননা মিনিষ্টর সুস্মানা কেনিয়াগী পুলিসপু মতেঙ পাঙঙকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি

# সিরিয়াগী নোংপোক থংবা রিভেলশিংনা খূৎলিংবা ঘৌটাদা রুসিয়ানা এয়ারষ্ট্রাইক চথবদা মীওই ২৫ শিরে



***দমাস্কস, জনুৱারী ৪ ঃ***

সিরিয়াগী নোংপোক থংবা অমসুং দমাস্কসকী মতাই ওইনা লৈবা ঘৌটাগী সহর অনীদা রুসিয়ানা এয়ারষ্ট্রাইক চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিখ্রে। হায়রিবা সহরশিং অদু রিভেলশিংনা খূৎলিংবা মফমনি হায়রি।

সিরিয়া সিবিল দিফেন্সকী মতূং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা রেসক্যু ৱার্কর অমা য়াওখ্রে অদুগা ১৮ না মশক মমিং খঙবা ঙমদনা লৈরি। রুসিয়াগী জেটশিংনা মিসরাবা অমসুং ঘৌটাদা অকনবা মওংদা বোমগী এটেক্ট চথরকখি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই ৬ সু শিখ্রে হায়বগী থাজবা লৈ। মখোয় রুসিয়াগী প্লেনশিংনা এয়ারষ্ট্রাইক চথরকপদা শিখিবনি।

ইং ২০১৩ দগী সিরিয়াদা চথরকখিবা সিবিল ৱার অদুদা সিরিয়া লৈঙাক্তা রুসিয়ানা শৌগৎতুনা লাক্লি। লোয়নননা মীওই লাক্ষ ৪ রোম লৈঙাক্কী লান্মীশিংনা ফাজিন্দুনা থম্লি। মমাঙ চয়োলদা রেদ ক্রোসকী টিমশিংনা লমদম অদুদা লৈবা অনাবা মীওই ২৯ হোন্দোকখিনবগী অয়াবা পীবগা লোয়নননা ফিভম শোক্লা নারবা মীওই কয়া লায়েংনবা পুথোককখি। হৌজিকসু লমদম অদুদা অনাবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয় মফম অদুদগী পুথোককখিবা তঙাই ফদ্রি। লমদম অদুদা হৌজিক ডাক্তর ১০৭ না অনা লায়েংগী থবক চথরি। অদুম ওইনমক হিদাক লাংথক ৱাৎপগী শাথিবা ফিভম অমা মায়োক্নরি।

সিরিয়া সিবিল দিফেন্সনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা রুসিয়াগী জেটশিংনা মীচমশিং লৈবা মিস্রাবা অমসুং ঘৌটাদা সিজমিক মিসাইল কয়া কাপশিনখ্রে মদুনা মরম ওইরগা সহর অদুদা লৈবা বিল্ডিং কয়া নীংখাইখ্রে। মিস্রাবা অমসুং দমাস্কসকী মতাই ওইবা নোংপোক থংবা ঘৌটাদা মীচম কয়া অশোক-অপন নংখিবগী পাউ ফংলি। মমাঙ চয়োলদা আর্টিলরি এটেক্ট চথরকপদা মীচম কয়া শিখিবা অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখিবা লৈখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই ১৮ গী মনুংদা নুপী ৯ অমসুং অঙাং ২ য়াওরি। ফিভম লুনা শোকপা য়াওবনা হৌজিক অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

মী কনবা কাঙবুনা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদা লেপ্পা লৈতনা চথরকখিবা এটেক্ট অদুদা বিল্ডিং কয়া নীংখাইখ্রে। অদুগা মীওই কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

# ভিজয় মালিয়া প্রোক্লেম ওফেন্দরনি লাওথোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

এফ ই আর এ ভাইয়োলেশিং কেসকা মরী লৈননা কোর্টতা লাক্লনবা হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনখ্রবসু লাকখিদবনা মরম ওইদুনা দিল্লি হায়কোর্টনা ঙসি ভিজয় মালিয়াবু প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মীওই অদু কোর্টতা লাক্লনা হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনখ্রবসু মশা লাকখিদবনা মরম ওইরগা চীফ মেত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট দিপক সেরাৱটনা মীওই অদুনা প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়না লাওথোক্লবগী য়াথং পাস তৌখি।

ভিজয় মালিয়াবু নুমিৎ ৩০ নি মনুংদা কোর্টতা লাক্লনবা অরোয়বা ওইনা খঙহনখ্রবা ফাওবদা মশা লাকখিদবা অমসুং মহুৎ শিনবা য়াবা থৌশিও অমত্তা পায়কৎলত্তঃবনা মীওই অদু প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়না লাওথোকখিবনি।

মমাঙ চহীগী এপ্রিল ১২ দা মীওই অদুগী মথক্তা বেল লৌবা য়াদবা ৱারেন্ট ইশু তৌখিবসু লৈখ্রে। ইং ২০১৬ কী নভেম্বর ৪ দা ভিজয় মালিয়াগী মথক্তা ৱারেন্ট ইশু তৌখি। অদুম ওইনমক মহাক লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোবু থৌশাদনা লৈথোকপগা লোয়নননা মশা লাকখিদে। মশা লাক্লনবা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু লাকখিদবনা মরম ওইরগা ঙসি দিল্লি হায়কোর্টনা মীওই অদু প্রোক্লেম ওফেন্দরনি হায়না লাওথোকখি। মীওই অদুনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোবু থৌশাদে। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা য়াথং অদু লাওথোকপনি হায়রি।

ভিজয় মালিয়া হৌজিক হৌজিক লনদন্দা লৈরি। মহাক্কী পাসপোর্ট রিবোর্ক তৌখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা লাকপগী খুদোংচাবা লৈত্রে হায়না মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক কোর্টনা মহাক মশা লাক্লনবা হঞ্জিন হঞ্জিন খঙহনখিবনি হায়রি।

# মেঘলায়াগী মিনিষ্টর, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন্না বুক তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৪ ঃ***

মেঘলায়াগী পি দব্লিউ দি মিনিষ্টর অম্পারিন লিংদো অমসুং এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী পি এস থাংখ্যুবু ইং ২০০৮-০৯ গী ওজা লৌবগী চাংয়েং চেদা শেমদোক শেমজিন তৌখি হায়বগী মরালদা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না বুক তৌখ্রে।

মেঘলায়া হায়কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা ইন্দিয়ান পেনালকোর্টকী ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি, ক্রিমিনেল ব্রিচকী কেস অমগী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎতুনা চথরকখিবা কেসকী মতূং ইন্না সি বি আইনা মীওইশিং অদু বুক তৌখিবনি। ১৯৮৪ বেজগী আই এ এস ওফিসার থাংখ্যু অমসুং মতম অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টর ওইখিবা লিংদোনা অরানবা কয়া তৌখি হায়বগী মরাল শিরক্লে।

থাংখ্যু মতম অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (এদুকেসন) গী থৌ পুখিবা মীওইনি অদুগা হৌজিক্লা হোম দিপার্টমেন্ট এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরিবনি হায়রি।

দাইরেক্টোরেট ওফ ইলিমেন্টরি এন্দ মাস এদুকেসনগী থৌ পুরম্বা মীওই অমগী মথক্তসু সি বি আই না কেস লৌখৎলে। ইং ২০১৭ কী নভেম্বর ২ দা মেঘলায়া হায়কোর্টনা ইং ২০০৮ অমসুং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লৱার প্রাইমারি স্কুলগী এসিষ্টেন্ট টিচর লৌবগী অইবা চাংয়েং পরিক্ষাদা চাওনা অরানবা তৌখি হায়বগী মতাংদা থিগৎনবা হায়কোর্টনা ৱায়েল তাখিবা মতূং সি বি আইনা কেস অদু পায়খৎতুনা থিগৎপা হৌরকখিবনি। মতম অদুদা এদুকেসন মিনিষ্টর অমা ওইনা লিংদো দাইরেক্তর জে দি সাংমাদা কেন্দিদেট খরগী মার্ক হাপকৎনবা অমসুং খরগীনা হন্থহন্নবা য়াথং পীখিবা লৈ হায়রি।

ৱাকৎ অসিগী মতূং ইন্না মতম অদুগী মিনিষ্ট্রিনা ওজা লৌবগী অইবা চাংয়েং পরিক্ষা অদুদা পাক চাওনা অরানবা থৌওং চথখি হায়না মরাল শিরকখিবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 12/10/17
Valid : 10/10/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 24/10/17
Valid : 14/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Kangleipak Gas Agency**
Delivery every day
no booking required
New connection started

**M M Gas**
Booking : 20/10/17
Valid : 14/10/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 847.50/-

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 31/10/17
Valid : 25/10/17
Stk : 612 Aadhar link only
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 27/10/17
Valid : 13/10/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**R & H Indane**
Booking : 11/10/17
Valid : 24/09/17
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 01/11/17
Valid : 21/10/17
Stk : 14kg 612/19kg 35
Time : 08.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 847.50/-

**Bashikhong Indane**
Booking : 26/10/17
Valid : 15/10/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 10/11/17
Valid : 04/11/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**TDK Sekmai**
Booking : 22/10/17
Valid : 16/10/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 19/10/17
Valid : 06/10/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m
Rate : Rs. 847.50

### সনা-সুদোকু -১০৪৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 8 | 4 |
| 2 | 7 | 6 | 8 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 5 | 8 | 4 | 1 | 6 | 3 | 9 | 7 | 2 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 7 | 4 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 3 | 4 | 1 | 6 | 7 | 5 | 8 |
| 7 | 4 | 5 | 9 | 2 | 8 | 1 | 6 | 3 |
| 8 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 2 | 3 | 1 |
| 3 | 5 | 2 | 7 | 9 | 1 | 8 | 4 | 6 |
| 4 | 6 | 1 | 3 | 8 | 2 | 5 | 9 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1044**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | | 1 | | | 3 | | |
| | 5 | | | | 2 | | 4 | |
| | | | | 4 | | 8 | | |
| | | | 3 | | 5 | | 8 | 9 |
| | | | | | 4 | | | 5 |
| | | 1 | | 6 | | | 7 | 4 |
| | | | | 3 | | | | |
| 3 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 8 | | | | 4 | 1 | |